# নগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লব, শমদোন অয়াংবা পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সি (সি) মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন (এ এম পি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ২৭ তগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা টিম ২৬ না নোক আউট বেসিসতা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৬ শুবা ষ্টেট মেন'স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লব, শামদোন অয়াংবা পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সি (সি) মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরুকশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা নগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লবনা এম পি এস সি (এ)বু পাঞ্জল ৭–৬ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা নগামপাল য়ুঠ পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ এম চাউবনা মিনিট ১.৪৪, জর্সি নম্বর ৫ বিলামনা মিনিট ৪.৩৩ দা, অহুমশুবা চক্করদা এম চাউবনা মিনিট ১.৩৪, এম পি এস সি (এ)গী এস বিমোলনা মিনিট ২.৫০ দা আউল পাঞ্জল অমা চনখি।

মরিশুবা চক্করগী পাঞ্জলশিং অদুনা এম চাউবনা মিনিট ০.৪৯, জর্সি নম্বর ২ বিশ্বরজিৎনা মিনিট ৩.২০ অমদি অহাপ্পা চক্করগী মিনিট ০.৩৮ দা এম চাউবনা চনখি। মায়থিরবা এম পি এস সি (এ)গী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ এম সুরজিৎনা পাঞ্জল অমা, জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা পাঞ্জল ৩ অমদি জর্সি নম্বর ২ ৱাই বিনোইনা পাঞ্জল অনী চনখি।

তরেৎশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা শামদোন অয়াংবা পোলো ক্লবনা মারজিং পোলো ক্লববু পাঞ্জল ৭–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা শামদোন অয়াংবা পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ টিকেননা মিনিট ২.৪০, জর্সি নম্বর ৫ গিরিমোহননা মিনিট ৪.০৯, ৬.৫৭ দা পাঞ্জল ২, অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ অবুংনা মিনিট ২.৩৫, টিকেননা মিনিট ৩.৪৭, অহুমশুবা চক্করগী মিনিট ৩.১৫ দা পাঞ্জল অমা অমদি অরোর্য়বা মরিশুবা চক্করদা অবুংনা মিনিট ৩.৫৯ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা মারজিং পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ টিঐচ রোবার্টনা মিনিট ৫.৫০ অমদি ৭.১০ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্টগী অসিগী নিপালশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা এম পি এস সি (সি)না সন পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এম পি এস সি (সি)গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ এম জৱাননা মিনিট ০.৪৫, ৪.০৩, ৫.২৯ দা পাঞ্জল ৩ , জর্সি নম্বর ৬ কেঐচ দিনেসনা মিনিট ১.৪৫, জর্সি নম্বর ৫ এস অরুননা মিনিট ৭.১৩ দা চনখি।

অনীশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ এস বাইকিংনা মিনিট ৩.২৯, এম জৱাননা মিনিট ৫.০১, ৭.১০ দা চনখি। অহুমশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা এস বাইকিংনা মিনিট ০.৪৮, জর্সি নম্বর ৩ টিঐচ রঞ্জিৎনা মিনিট ১.৩৮, ২.৩২ দা পাঞ্জল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ২ এস অবুংচানা মিনিট ৪.২০, ৬.১৮ চৎপদা চনখি।

অরোয়বা মরিশুবা চক্করগী পাঞ্জলশিং অদুনা এস অবুংচানা মিনিট ৪. ৪৪ দা চনখি। মায়থিরবা সন পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অরোয়বা মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ কে রিশিকান্ত মৈতৈনা মিনিট ৪.০১ চৎপদা চনখি।

হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দা ক্রিম্পা অমদি এ আর পোলো টিমনা শান্নগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দনা কে এন্দ এম এম আর এস অমদি অমদি মৈরাবা পোলো ক্লবনা শান্নগনি ।

# মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেসন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ঙম্বা লোংজম অমদি ঐচ নিলকান্ত মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর এমেচর বেক্সিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৭ তগী য়ুনিট ১৫ দগী লাকপা নুপামচা বোক্সর ১৯৭ অমদি নুপীমচা বোক্সর ৭৩ পূন্না বোক্সর ২৭০ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক বোক্সিং এরিনাদা চথরিবা অহানবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেসন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র বোইজ কেজি ৪৮ গী কাঙলূপ্তা কে জি সি খুরাইগী ঙম্বা লোঙজমনা এম কে আর বি এফ (বি) লাঙ্গোলগী নান্দৈবম রোহিটবু, এস আর বি এ ময়াই লম্বীগী ঐচ নিলাকান্তনা সি দি ও হাওরৈবীগী থোকচোম নাওবীবু অমদি এ বি এ নম্বোলগী কৈশাম দেবেননা বি কে ৱাই সি এলগী পুসাম য়াসিনবু মায়থিবা পীখি।

জুনিয়র বোইজ কেজি ৫০গী কাঙলূপ্তা এন বি এ (বি) নোংঙদাগী নিংথৌজম সোমান্দনা সি দি ল হাওরৈবীগী নিংথৌজম চিংলেনসনাবু এম বি এস ঙাইখোংগী লৈচোংবম লাঙম্বানা এ বি এ নম্বোলগী কোঞ্জেবম রোবার্টসনবু, কেজি ৫২ গী কাঙলূপ্তা বি কে ৱাই সি এলগী কিসননা এম কে আর বি এফ (এ) লাঙ্গোলগী সর্টো কোমবু মায়থিবা পীখি।

কেজি ৫৪ গী কাঙলূপ্তা এন বি এ (এ) নোংঙাদগী লাইশ্রম লুহেননা এম বি এ (বি) নোংঙাদগী চিঙাখম বুধাচন্দ্রবু, এন বি এস ঙাইখোংগী লোঙজম শ্যামসন মৈতৈনা এস আর বি এ ময়াই লম্বীগী প্রেমানন্দবু মায়থিবা পীখি।

কেজি ৫৭ গী কাঙলূপ্তা এস আর বি এ ময়াই লম্বীগী কোঞ্জেবম রোসননা এম কে আর বি এফ (এ) লাঙ্গোলগী সাইচুঙম কোমবু, এম বি এস ঙাইখোংগী চোথেনা বি কে ৱাই সি এলগী তেকচম নেলসনবু অমদি এম বি এ (এ) নোংঙাদগী লাইতোঞ্জম রোবার্টনা সি দি ও হাওরৈবীগী থৌদাম চিঙ্খৈঙানবা মৈতৈবু অদুগা কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা এন কে আর বি এফ (এ) লাঙ্গোলগী চিংলেম্বানা এস আর বি এ ময়াই লম্বীগী ষ্টেলোনবু মায়থিবা পীখি।

য়ুঠ এন্দ ইলাইট মেন কেজি ৪৯গী কাঙলূপ্তা টি বি এ থাংমৈবন্দগী হৱাইজম বোনেলনা ই ই গী লোলেনবু মায়থিবা পীখি। কেজি ৫২গী কাঙলূপ্তা এন বি এ (দি)গী পেবম সুরঞ্জয়না এল কে ৱাই দি এগী এ রোজিপিটরবু, এ বি এগী সুরেসনা এন বি এ (বি)গী অনন্দবু, এন বি এ (এ)গী অমরজিৎনা টি বি এগী তাইবংঙানববু অমদি এস আর বি এগী ভিমজিৎনা এন বি এ (সি)গী ননাওবু মায়থিবা পীখি।

কেজি ৫৬ গী কাঙলূপ্তা এল কে ৱাই দি এগী রাহুলকুমারনা টি বি এগী নোংপোকঙানবাবু, এন বি এ (সি)গী থোইবনা এন বি এ (এ)গী কিসনবু, এন কে আর বি এফ (এ)গী প্রিয়োবত্তনা ই ইগী সোসিয়াবু অমদি এ বি এগী নৱাং লাইতোঞ্জমনা সি দি ওগী লাইশ্রম জোনবু মায়থিবা পীখি।

কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা এন বি এ (সি)গী মলেমঙানবাবু এম পি এস সিগী ভাস্করবু, এন বি এ (দি)গী বাইটৈনা এস আর বি এগী নোংদমখোম্বাবু, এম কে আর বি এফ (এ)গী কিপজেননা এল কে ৱাই দি এগী জোনিবু অমদি এন বি এ (এ)গী এম রোবিনসননা এ বি এগী অটিনুর্য়সবু মায়থিবা পীখি।

সব–জুনিয়র গালর্স কেজি ৪০ দা কিম হোইনৈ অমদি লাইশেম ফোনিয়া মায় পাকখ্রে।

য়ুঠ এন্দ ইলাইট মেন কেজি ৬৪ দা লাইরেনময়ুম নিকেস, মাইসন মোইরাংথেম, অঙোম রাকেস অমদি নিংথৌজম খম্বাতোন মায় পাকখ্রে।

কেজি ৬৯গী কাঙলূপ্তা অঙৌতোন নোংমাইথেম, ঙাঙোম সুনিল অমদি নিংথৌজম বোইনাও মায় পাকখ্রে।

# টি ৱাই দব্লিউ ও তখেল অমদি সি এফ এ চীংমৈরোং ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ (এস এন এস) ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী টিম ৮ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোং গ্রাউন্দা চথরিবা নহাকপম অপাবী নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯–২০ গী ফাইনেলদা টি ৱাই দব্লিউ ও তখেল অমদি সি এফ এ চিংমৈরোংগা শন্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সি এফ এ চিংমৈরোংনা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু তোমমেনসৈ, সর্টো, ঐচ তোম্বা, সাঞ্জালেন অমদি এস শাচিননা চনখি।

# এফ সি লমলাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ (এস এন এস) ঃ

ও কে এস য়ু নিংথেমচা খূল য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৭ দগী টিম ২৪ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা অনীশুবা ও এন ৱাই সি ট্রোফি ২০২০ লমলাই কেন্দ্র ৱিদ ইনভাইটিস ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এফ সি লামলাইনা ও এন ৱাই সি (বি)বু গোল ৮–২ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতনা অৱাং ঙাইরাংবম এফ সিনা শামু এফ সি মোইরাংপুরেলবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–সিগী শান্নখিবা মেটচতনা কোমিদিয়ান এফ সি য়ুম্নাম খূনৌনা ইমোইনু এফ সি (বি) য়াইঙপোকপীবু গোল ৮–১ দা মায়থিবা পীখি। মরিশুবা মেটচতনা মুতুম শান্ত এফ সি হৈঙাংনা সেক্তা (বি)বু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

# ট্রাউ অমদি পি টি আর সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা টিম ১৪ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা শান্নবা হৌখিবা অনীশুবা এম এন সি এ অন্দর–১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ নীংশিং ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ট্রাউ ক্লাকৈথেল অমদি পি টি আর সি পাৎসোই মায় পাকখ্রে।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা ট্রাউগী ৱিকেট ৩ লৌখিবা অদিটিয়া অবিনাসনা তাখ্রে।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দা শান্নখিবা ১৫ শুবা মেটচতনা পি টি আর সি পাৎসোইনা কে সি দি ও কোংপালবু রন ২৬১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা পি টি আর সি পাৎসোইগী রন ১১৯ অমদি ৱিকেট ৮ লৌখিবা জোটিননা তাখি।

ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরী স্কুল / ওরেয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দগী ১৪ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা মেটচতা ট্রাউনা ই এস য়ুবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখি। ই এস য়ুনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা ওভর ১৮.৩ দা ৱিকেট ১০ মক অউট ওইরগা রন ৮২ লৌখি। মসিগী পাউখূমদা ট্রাউনা ওভর ১১.২ দা ৱিকেট অমত্তা আউট ওইদনা রন ৮৪ লৌদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

# জরখন্দনা মণিপুরবু মায়থিবা পীখ্রে

NATIONAL FOOTBALL CHAMPIONSHIP FOR Hero DR. BC ROY TROPHY 2019-20

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ (এস এন এস)ঃ

মেঘলয়াগী শিল্লোংদা লৈবা জে এন ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৮ দগী ফেব্রৱারী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র বোইজ নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর ডা. বি সি রোই ট্রোফি ২০১৯–২০ (ট্রায়র–১)গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–বিগী মেটচতা জরখন্দনা মণিপুরবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা জরখন্দগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু থিয়াম অমুজাউ মৈতৈনা মেটচকী মিনিট ৬৬ চৎপদা চনখি।

প্লেয়র ওফ দি মেটচসু থিয়াম অমুজাউনা তাখি।

মণিপুরগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৩১ দা পাঞ্জবকা শান্নরগনি।

# ওল এফ সি উরিপোক মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ (এস এন এস) ঃ

দি এস ইন্টরপ্রাইজেস কৈশামথোং ইরোম পূখ্রিনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুঠ ইন্দ্রিগেসন ক্লব ( ৱাই আই সি) কৈশামথোং মনিং লোঙজম লৈকাইনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৯ দগী ৱাই আই সিগী গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা হৈস্নাম নিলকমল নীংশিং অন্দর ৪০ কেজি ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ওল এফ সি উরিপোকনা ঐচ এল এফ সি হোদাম লৈরকপু ৬–১ দা থোয়খি।

অনীশুবা মেটচতনা এল কে ৱাই দি এ লাইফম খূনৌ অমদি লিঙজেল ক্লব চাজিং গোল ১–১ দা ড্রো চৎখ্রে। অহুমশুবা মেটচতনা কফা খোংমনা ৱাই দব্লিউ সি মালোমবু ১–০ দা থোয়খি।

# ইন্টর কোলেজ কাঙ টুর্নামেন্টে পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর য়ুনির্ভসিটি স্পোর্টস কম্মীটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা এম য়ু ইন্টর কোলেজ কাঙ টুর্নামেন্ট অদু নৌনা মতম লেপ্তুনা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ২৬ তা ওইনা মণিপুর য়ুনির্ভসিটিদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

শরুক য়ানিংবা কোলেজশিংনা শান্নরোইশিংগী ঐচ এস এল সি সার্টিফিকেট, টেন প্লস টুগী মার্কসিট, প্রজেন্ট রিদিং সার্টিফিকেট, সার্টিফিকেট ওফ লাষ্ট এক্সাম পাস অমদি পাসপোট সাইজ ফোতো ২ গা লোয়ননা মার্চ ২৪ ফাওবগী মনুংদা ইন্দ্রি পীশিনলক্কদবনি হায়রি।

# আরকে মিরান্দানা জয়সিবু মায়থিবা পীদুনা ৱুমেন সিঙ্গলস চহী ৩৫গী টাইতল লৌখ্রে




ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮ দগী নুপা শান্নরোই ১০৬ অমদি নুপী শান্নরোই ১০ পূন্না শান্নরোই ১১৬ না শরুক য়াদুনা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৬৪ শুবা ষ্টেট ভেটেরান ( মাষ্টর) বেদমিন্টিন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০গী ৱুমেন সিঙ্গলস চহী ৩৫ গী কাঙলূপ্তা আরকে মিরন্দানা জয়সি নিয়াঙলুচিংবু ২১–৪, ২১–৬ দা মায়থিবা পীদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইতল লৌখ্রে।

ৱুমেন দবলস চহী ৩৫ কাঙলূপ্তুগী ফাইনেলদা এ রেখা অমদি আরকে মিরান্দাগী জুরানা ইবেচা মুতুম অমদি ফালনৈহিন মার্টেগী জুরাবু ২১–৫, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীখি।

মিক্স দবলস চহী ৪০গী ফাইনেলদা এল কৃষ্ণকুমার অমদি হোয়চোং খোঙসাইগী জুরানা এন সনায়াইমা অমদি নিয়াঙলুচিংবু ২১–১৮, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীখি।

মেন দবলস চহী ৬৫ কী ফাইনেলদা ঐচ পারুন অমদি এন রঞ্জনগী জুরানা এ ইবোহল অমদি আর এস এবেলগী জুরাবু ২১–৭, ২১–৮ দা মায়থিবা পীখি।

মেন সিঙ্গলস চহী ৩৫ গী ফাইনেলদা এল রামেস অমদি পি ঐচ ইন্দ্রজিৎনা শান্নরগনি। সেমি ফাইনেলদা রামেসনা ওজিৎপু ২১–৬, ২১–১৯ দা অমদি ইন্দ্রজিৎনা থোইথোইবু ২১–৯, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীখি।

মেন সিঙ্গলস চহী ৪০ গী ফাইনেলদা এল কৃষ্ণকুমার অমদি এন সনায়াইমানা শান্নরগনি। সেমি ফাইনেলদা কৃষ্ণকুমারনা সুন্দরবু ২১–১৩, ২১–১১ দা অমদি সনায়াইমানা সন্তোশপু ২১–৮, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীখি।

মেন সিঙ্গলস চহী ৫০গী ফাইনেলদা হিনি লুনি অমদি এম সোমেননা শান্নরগনি। সেমি ফাইনেলদা লুনিনা জাদুমনিবু ১৯–২১, ২১–১৬, ২১–১৪ দা অমদি সোমেননা রোনাল্ডবু ১৯–২১, ২১–১৩, ২১–০ দা মায়থিবা পীখি।

ৱুমেন সিঙ্গলস চহী ৪০গী ফাইনেলদা হোয়চোঙ খোঙসাই অমদি ইবেচা মুতুমনা শান্নরগনি। সেমি ফাইনেলদা খোসাইনা নিজবু অমদি ইবেচানা ইনাখূনবীবু মায়থিবা পীখি।

মেন দবলস চহী ৩৫ গী ফাইনেলদা কেঐচ নিরঞ্জয় অমদি এস শ্যামনন্দগী জুরানা একে বোনি অমদি ও বসন্তগী জুরাগা শান্নরগনি। মেন দবলস চহী ৪০ গী ফাইনেলদা কেঐচ তেঞ্জিং অমদি ৱাই ওজিৎগী জুরানা এম দিপক অমদি ও প্রেমান্দগী জুরানা শান্নরগনি।

মেন দবলস চহী ৪৫ গী ফাইনেলদা দব্লিউ অমুসনা অমদি ৱাই বালেগী জুরানা কেঐচ রাকেস অমদি এল চিরনগী জুরাগা শান্নরগনি। মিক্স দবলস চহী ৩৫ গী ফাইনেলদা কেঐচ নিরঞ্জয় অমদি আরকে মিরান্দাগী জুরানা পি বিলাস অমদি এ রেখাগী জুরাগা শান্নরগনি।

মেন সিঙ্গলস চহী ৬০গী ফাইনেলদা এ সুনিল কুমার অমদি এস জাট্রানা শান্নরগনি। চহী ৫৫ গী ফাইনেলদনা দব্লিউ অমুসনা অমদি এন বিরেননা শান্নরগনি।

মেন সিঙ্গলস চহী ৬৫ গী টাইতলনা আর এস এবেলনা লৌখ্রে অদুগা দবলসকীদনা ঐচ পারুন অমদি এন রাজেনগী জুরানা লৌখ্রে অমসুং মেন দবলস চহী ৬০গী টাইতলনা বিমোল অমদি এল কুমারনা লৌখ্রে।

# অল অমিন লিল্লোং অমদি টি সি এম দি সি থোংজু মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২২ দগী টিম ১০ না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৩শুবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা অল অমিন লিল্লোং অমদি টি সি এম দি সি থোংজু মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–বিগী অল অমিন লিল্লোং অমদি এস সি সি সি শিংজমৈনা শান্নখিবা মেটচতা অল অমিননা এস সি সি সিবু রন ২৪ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা অল অমিন লিল্লোংনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১৪৩ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা এস সি সি সি শিংজমৈনা ওভর ১৯.২ দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১১৯ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ২৪ দা মায়থিবা পীখি।

অল অমিন লিল্লোংগী বেট্টিংদা সেফ্লোননা বোল ২১ দা রন ৩৮, মুষ্টাকনা বোল ২৮ তা রন ৩১ অমদি নাওসাদনা নোট আউটতা বোল ২২ দা রন ২৮ লৌখি। এস সি সি সি শিংজমৈগী বোল্লিংদা সনানা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৪, বোরিসনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ অমদি লাঙম্বনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

এস সি সি সি শিংজমৈগী বেট্টিংদা সন্দিপনা বোল ৩২ দা রন ৩০, উলেনয়াইনা বোল ২৮ দা রন ২৪ অমদি রোবিনসননা রন ৯ লৌখি। অল অমিন লিল্লোংগী বোল্লিংদা নাওসাদনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৫, নরসিরনা ওভর ১.২ দা ৱিকেট ২ অমদি অব্দুলানা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা অল অমিন লিল্লোংগী রন ২৮ অমদি ৱিকেট ৫ লৌখিবা নাওসাদনা তাখি।

১৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–এগী পি টি সি সি পাৎসোই অমদি টি সি এম দি সি থোংজুনা শান্নখিবা মেটচতা টি সি এম দি সিনা পি টি সি সিবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা পি টি সি সি পাৎসোইনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১২৮ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা টি সি এম দি সি থোংজু না ওভর ১৭.২ দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৩০ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৬ দা মায় পাকখি।

পি টি সি সি পাইসোইগী বেট্টিংদা কেনজিৎনা বোল ২৬ তা রন ৩৫, চেম্পিয়ননা বোল ২৩ দা রন ২১ অমদি বিকাসনা বোল ২২ দা রন ১৮ লৌখি। টি সি এম দি সি থোংজুগী বোল্লিংদা ঙাম্থোইনা ৱিকেট ২, ধনশ্যামনা ৱিকেট ২ অমদি বিবেকান্দনা ৱিকেট ১ লৌখি।

টি সি এম দি সি থোংজুগী বেট্টিংদা ধনশ্যামনা বোল ২৮ দা রন ৫১, ঙাম্থোইনা বোল ৩৯ দা রন ৩৭ অমদি সুরজনা রন ১৩ লৌখি। পি টি সি সি পাৎসোইগী বোল্লিংদা কেনজিৎনা ৱিকেট ২ অমদি দোমিনিকনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা টি সি এম দি সি থোংজুগী রন ৫১ অমদি ৱিকেট ২ লৌখিবা ধনশ্যামনা তাখি।

হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–বিগী ই এস য়ু ৱাঙ্খৈ অমদি পি টি আর সি পাৎসোইনা অয়ুক পুং ৯ দা শান্নগনি অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–এগী কে এস দি ও কিয়ামগৈ অমদি ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা শান্নগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com